**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-09-2025)**

**ইরাবত (এল)ঃ** লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখি।

রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী লিলাশিং খোঙনাংখোঙদা লৈবা ইরাবত স্কৱারদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা থৌরমদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা লূচিংদুনা মীয়ামা জননেতা ইরাবতকী মুর্তিদা লৈ শু কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎখি। এম.এল.এশিং, রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি পি.কে.গোয়ল অমদি অতৈ মকোক থোংবা সরকারগী ওফিসিয়েলশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

লময়ানবা ইরাবত নিংশিং থৌরম ওভজর্বেসন কম্মিতিনসু প্রোতেক্সন এন্দ প্রিজর্বেসন কম্মিতি মণিপুরগী মখাদা থা অমা চুপা চথরকপা ইরাবতকী পালন থৌরমসু ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা লোইশিল্লে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য থাক্কী লৈবাক নিংবা ঈশৈ চাংদম বগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিতি মনিপুরনা শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইবা সুমাং লিলা শঙলেনদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসিদা মীয়ামা ইরাবতকী মফমদা লৈ শু কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ কয়াসু য়েন্থোকখি।

তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানসু লময়ানবা অসিগী মপোক কুমওন পালন পাঙথোকখি।

১২৯ শুবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম শিংজমৈ

ব্লোক কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা শিংজমৈ ইমা কৈথেলদা পাঙথোকখি। থৌরমগী মনুং চন্না গ্রীন শিংজমৈ কেম্পেইন হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা বাইক রেল্লি অমসু চৎখি। লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমদি থোকচোম লোকেশ্বর সিংহ-এম.এল.এল সিংহনা বাইক থৌদুনা রেল্লি অদুবু লুচিংখি অমদি শিংজমৈগী তোঙান তোঙানবা লন্বীশিংদা চৎলবা মতুং শিংজমৈ ইমা কৈথেলদা থুংখি। মফম অদুদা ইরাবতকী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী পি.সি.সি. মেম্বর-ওইনাম রোমেননা লুচিংদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারাশিং থাখি অমদি লম্বী চৎপা মীয়ামদা উ চারাশিংসু য়েন্থোকখি।

মনিপুর ৱিমেন লিতরেরি এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন, হোজাই অমসুং পেত্রিয়োতিক রাইতর্স ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরম অসামগী হোজাইদা লৈবা ইরাবত মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা, মীয়ামা জননেতা ইরাবতকী মুর্তিদা লৈ শু কত্তুনা ইকাই খুমবা উৎপগা লোয়ননা অখঙ অহৈশিংনা মহাক্কী মরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা, মণিপুরগী শকাইরবা অইবা য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম অমসুং হোজাইগী সোসিয়েল এক্তিবিজ অনি থাংজম ইরাবত সিংহ অমদি লাইতোনজম অখমদা কুমসি চহীগী লময়ানবা হিজম ইরাবত লাইভ তাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ পীখি।

ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী লমজিং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসননা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থা অমা চুপা চথুরকপা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

বামোন কম্পুদা লৈবা থাংজম মনোরামা মেমোরিএল সাইটতা উ চারা কয়া থাদুনা লোয়শিনবগী থৌরম অদু পাঙথোকখি।

লময়ানবা ইরাবত নিংশিং থৌরম ওভজর্বেসন কম্মিতিনসু প্রোতেক্সন এন্দ

প্রিজর্বেসন কম্মিতি মণিপুরগী মখাদা থা অমা চুপা চথরকপা ইরাবতকী পালন থৌরমসু ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা ওভজর্বেসন কম্মিতিগী কনভেনর লাইশ্রম শ্যাম খুমন অমসুং মশক নাইবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

জিরিবামদসু জন্ন নেতা হিজম ইরাবত মেমোরিএল ত্রষ্ট-জিরিবামনা শিনদুনা কুমওন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরমগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা কন্টিজেন্ট অমসুং কলচরেল ক্রুপ ২৮ না শরুক য়াদুনা মাচ পাসকী অথোই অহেন তান্নখি।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ককচিং কৈথেলগী ইরাবত পার্কতা ঙসি পাঙথোকখি। মীয়ামনা ইরাবতকী মাতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

অহানবা ঙাইখোং খুলেন গ্রাম পঞ্চায়ট লেবেল ইরাবত সেলেব্রেসন কমিতিনা শিনদুনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম ঙাইখোং মমাং পাৎ লম্পাক্তা পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট কৈরাও বিত্রা অৱাং লৈকাইগী ইরিলবুং লাইব্রেরী য়ুনিয়ননা শিনদুনা লময়ানবা ইরাবতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখি।

**শ্যাম (এল)ঃ** করাম শ্যাম-এম.এল.এনা হায়রি-মনিপুরগী লুচিংবা জননেতা ইরাবতকী পুন্সিদি মীয়ামগীদমক কৎথোকখিবা তাংলবা লুচিংবা অমনি। অসিগুম্বা লুচিংবা অমগী মফমদা মনিপুরি খুন্নাইনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা ফংজবা হায়বসি য়ামা চাউথোকচনিংঙাইনি।

নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতি, ইম্ফালনা শিনদুনা ঙসি লংথাবাল কুঞ্জা ময়াই লৈকাইদা লৈবা ডা: কমল লিটরেটি কমপ্লেক্সতা, বিল্ডিং শঙ্গাবা অমসুং জনানেতা হিজম ইরাবত মনা লান্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়-ডা: কমলগী পোকফমদা কমপ্লেক্স অমা শেমগৎতুনা শঙলেন অমা শাবদা

নুংঙাইবা পোকই। নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতিনা মখা তানা মনিপুরি সাহিত্য চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা শ্রী শ্যামনা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা ডা: লামাবম কমলগী অয়েকপা শক্তম মায়খুম হাংদোকপগা লোয়ননা জন্ন নেতা হিজম ইরাবতকী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। কুমশি চহিগী জন্ন নেতা হিজম ইরাবত মনা-শকাইরবা অইবা বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বদা পীখি।

**দ্রামা (এল)ঃ** ক্রিটিক্স ফোরম মনিপুরনা শিনদুনা মনিপুরি দ্রামাগী চহি ১০০ শুরকপগী পালন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-নুমিৎ অসিদা মনিপুরি লোলদা শান্নবা অহানবা দ্রামা ‘নরা সিংহ: অৱা ঙম্বা’ পুথোকখি। নুমিৎ অসি মনিপুরগী ওইনদি য়ামা মরুওইবা নুমিৎ অমনি। ঙসিদগী চহি ১০০ গী মমাংদা হায়রিবা দ্রামা অসি লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরদা দ্রামগী লমদা মশক থোকা পুথোকপা ঙমখি। দ্রামা অসি পুথোক্ত্রিঙৈ মমাংদা মনিপুরগী পুৱারীদা অৱাগী মখুৎতা চহি তরেৎ খুন্তাকপগী থৌদোক থোক্লবা মতুং মহারাজ গম্ভীর সিংহ অমদি নরসিংহ মহারাজনা মনিপুরবু অৱাগী মখুৎতগী কনবা ঙমখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নরসিংহ অৱা ঙম্বা হায়বা দ্রামা অমসু উৎখি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং-অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

মসিগী মথক্তা ছাতিসগর, অন্ত্র প্রদেস, উরিষ্যা, অন্দমান অমসুং নিকোবর

ইথৎতসু মথংগী নুমিৎ নিনিদা নোং চুগনি। বিহার, ঝরখন্দ, উরিষ্যা, তেলঙ্গানা, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং মধ্য প্রদেসতা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা ময়াই ওইরপ্লদগী য়ামা কনবা মওংদা নোং চুগনি। মরম অদুনা, হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা মীয়ামনা লৌবুক লমহাং অমদি চিং-পাৎ তুরেলদা চৎপীদনবা হায়রি।

**কেম্প(এল)ঃ** স্বাস্থ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী মখাদা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা হয়েং ইম্ফালগী চিংমৈরোংদা লৈবা সিটি হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স সেন্টর অমদি সঙাইপ্রৌদা লৈবা সিটি কলেজ ওফ নর্সিংদা পাঙথোক্কনি।

কেম্পশিং অসিদা হয়েং অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং অহুম ফাওবদা নুপী অমদি অঙাংশিংগী স্ক্রিনিং তৌবগা লোয়ননা লায়েংগনি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** সেভা সপতহাগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা তাঙ্কক নাইনা  শন্দোরক্লিবা অখন্নবা থৌরমগী অরোইবা তাঙ্কক হয়েং অয়ুক পুং ৭ মিনিট ৪০ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি।

মিনিট ২০ শন্দোক্কদবা ‘ফ্রোরম সোইল টু সক্সেস ঃ **ফ্রোম সোইল টু সক্সেস :ষ্ট্রেঙ্কথনিং ফার্মস এন্দ ফার্মস’** হায়বসিদা রাজ্য সরকারগী এগ্রীকলচর দিপার্টমন্টেকী দিরেক্তর-পিটর সলাম অমসুং ঐখোয়গী মীহুৎ ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গাগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা তাহঞ্জগনি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী মাংওইননা ইলেক্সন কম্মিসননা মসিগী ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংখ্রে। ইলেক্তোরেল রোলশিং অসিগী কোপিশিং ওন লাইনগী খুথাংদা ঙসিদগী ফংহনবা হৌরে। মসিগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসশিংগী খুথাংদা ইলেক্তোরেলশিং অসি ফংহনখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনননা হায়-ঙসি ফোংখিবা ইলেক্তোরোল অদুদা ভোটর কোতি তরেৎ লাখ ২৪ হেনবগী ইলেক্তরশিংগী মমিংশিং য়াওরি। ইং কুমজা ২০২৪ গী লোক সভা মীখলদা রাজ্য অদুগী ইলেক্তোরেল রোলদা ভোটর কোতি তরেৎ লাখ ৯৯ ওইরম্বনি। হন্দক্কী ইলেক্তোরেল রোল অসিদা ভোটর লাখ ৬৫ রোমগী মিং লৌথোক্লে। মসি লৈখিদবা অমসুং শাশিন্নবা ভোটরশিং ঙাক্তনি।

হন্দক্কী ইলেক্তোরেল রোল অসিদা ভোটর লিশিং ৩৬ নৌনা হাপচিন্নবা দাবী তৌরকখি। অদুগা, ভোটর লাখ অনি লিশিং ১৭ হেনবগী মমিং ককপীনবা দাবী তৌখি।

**প্রোজেক্টঃ** ভারত অমসুং ভুতাননা লৈবাক অনিগী ঙমখৈ পরিংদা রেল গারিগী প্রোজেক্ট অনি লূপা কোতি লিশিং ৪,০৩৩ চংনা শেমগৎপা য়ানখ্রে।

রেলৱে প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা কোক্রাঝার-গেলেফু অমসং বানারহত-সমতসে য়াওরি। নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কেন্দ্রগী রেল মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণবনা হায়-প্রোজেক্ট অসিনা ভুতানগী মরুওইবা সহর অনি গেলেফু অমসুং সমতসে শমহনগনি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অনি অসি অসামগী কোক্রাঝার অমসুং নোংচুপ বংলাগী বানরহতকা শমগনি।

**ডেঃ** মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমিৎ হয়েং পাঙথোক্কনি। কেন্দ্রগী সোসিএল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্ট মন্ত্রালয়না শিনদুনা লৈবাক অসিগী ওইনসু পালন থৌরম অসি ন্যু দিল্লিদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরম অসিগা লোয়নননা অহল ওইরবশিংগীদমক সরকারনা পায়খৎকনি হায়না লাউথোকখিবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎকনি হায়রি। মসিনা অহল ওইরবা মীওইশিংদা হেন্না খুদোংচাহনগনি অমসুং তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা মখোয়গী হক লৈহল্লগনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হয়েং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা দিফেন্স একাউন্টস দিপার্টমেন্টকী চহিগী ওইবা থৌরমদা শরুক য়াগনি।

মন্ত্রিনা কন্ত্রোল্লর জেনরেল ওফ দিফেন্স একাউন্টসকী ইন্সটিট্যুসনেল কেপাসিতি হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি থবক নীংথিনা পাঙথোকবগীদমক অনৌবা থৌরাং কয়াসু হৌদোক্কনি। থৌরমদুদা শ্রী রাজনাথনা সি.জি.দি.এগী ওফিসিএলশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক রক্সা মন্ত্রি এৱার্ড ফোর এক্সিলেন্সসু য়েন্থোক্কনি।

**ভিজিটঃ** ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কম্মিতি(এ.আই.সি.সি) গী প্রসিদেন্ট অমসুং সংসদ সদস্যা মালিক আর্জন খার্গে মথং থাগী ৭ তা কোহিমাদা লাক্কনি। মহাকা দলগী অতৈ লুচিংবা কয়াগসু লোয়নরক্কনি।

শ্রী খার্গেনা কোহিমাগী নাগা সোলিদরিতি পার্কতা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংগনি।

**ইদিঃ** ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটকী রাঞ্চি জোনেল ওফিসনা প্রিভেন্সন ওফ মণি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা কোলকাতা অমসুং হাউরাগী পুন্না লুপা কোতি ১৫ লাখ ৪১ রোমগী লন-থুমশিংগী মমল ওইগদবা পোৎলমশিং ফাজিনখ্রে।

ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটকী চেরোল অমনা হায়-ফাজিনখিবা লন-থুমশিং অদুগী মনুংদা জি.এস.টিগী মিংদা লান্না শেল খোমগৎলম্বদা চেন্নবা মীওই অমা য়াওরি। মহাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা য়ুম ইঙ্খোলশিং য়াওনা অতৈ লন-থুম কয়া ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা ফাজিনদুনা থমলে। মসি দিরেক্তোরেট জেনরেল ওফ জি.এস.টি. ইন্টিলিজেন্সনা মহাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ৱাকৎ থাংগৎলকপদগী ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুরকপনি।

**দেদ ঃ** বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা বিজয় কুমার মালহোত্রা ঙসি অয়ুক ন্যু দিল্লিগী এইমসতা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৯৩ শুখ্রে। মহাক বি.জে.পি. দিল্লিগী ইহান হানবা প্রসিদেন্ট ওইখি।

মহাকা লৈখিদবদা উপ রাস্ত্রপতি-ভি.পি. রাধাকৃষ্ণননা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

**অফগানিস্তানঃ** অফগানিস্তানদা তালিবান সরকারনা লৈবাক শিনবা থুংবদা ইন্টরনেট অমসুং মোবাইল নেটৱার্ক সার্ভিসশিং পুমথিং থিজিনখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ন্যুজ এজেন্সিশিংনা হায়-মখোয়না লৈবাক অদুগী কোনুং কাবুলদা লৈরিবা ওফিসশিংগা পাউ ফাওনবা ঙমদ্রে। মোবাইল ইন্টরনেট অমসুং সেটিলাইট টি.ভি য়াওনা বেঙ্কিং সার্ভিস অমদি অতৈ লল্লোন ইতিক্কী সার্ভিসশিংদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। কাবুল ইয়ারপোর্টতগী এরোপ্লেনশিং পাইবদসু অপনবা থোক্লে।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চত্থরিবা ২১ শুবা কে.কে. হেমদ্রিয়াল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.এফ.সি. ককচিংনা পি.এফ.সি. তোকপা চিংবু পাঞ্জল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, ডব্লিয়ু.এ.এল.ৱাই.দি.এ. ৱাবগাইনা য়ু.বি.এস.এ. মন্তকপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ক্রিকেটতা, আই.সি.সি ৱিমেন্স ও.দি.আই ৱার্ল্ড কপ ঙসিদগী গুৱাহাতিদা হৌখ্রে। অহানবা মেটচ ভারত অমসুং শ্রী লঙ্কানা গৌহাতিগী বারসাপারা ক্রিকেট স্তেদিয়মদা শান্নরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ওষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ, ন্যুজলেন্দ, সাউথ আফ্রিকা, শ্রীলঙ্কা, বঙ্গলাদেস অমদি পাকিস্তানগী টিমশিং শরুক য়ারি।

**এঠলেটিক্সঃ** ন্যু দিল্লিগী জৱাহ্‌রলাল নেহ্‌রু ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপ্তা ভারতকী শান্নরোই যোগ্রেস খাতুনিয়ানা দিসকস থ্রো এফ. ফিফতি সিক্সকী কেটেগোরিদা লুপাগী তকমান লৌরে।